# শেন্দোং লৈনা ওককী ফার্ম লীংনবা থৌরাং



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

শেন্দোং লৈনা মায় পাক্লা ওক পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবদি য়োক্কদৌরিবা ওকশিং লায়না তীলনা চেন্দনা মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবনি। লায়না তীলনানা ওকশিংগী মচা পোকপগী শক্তি, চাউজন ফবগী চাংদা অকনবা চৈথেং পীবদগী ওক লোয়বদা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। ওক লোয়বগী কাঙলোনশিং চপ চানা ঙাক্তুনা য়োল্লবদি শাথিরবা লায়না তীলনা অয়াম্বা চংহন্দবা নৎত্রগা ঙাকথোকপা ঙমই। কাঙলোন চুম্না মকোন শাবীবা অফবা মচিঞ্জাক পীবীবা অমদি লূ-নানবনা লায়না থোকহন্দবা অমদি থোরক্লবসু শাথিনা শোকহন্দবদা মতেং পাংই। মরম অসিনা মশা মউ ফরবা অমসুং শেন্দোং লৈরবা ওককী ফার্ম অমা লিংবদা চঙগদবা থৌরাংশিং মাঙজৌননা নীংথিনা শেম শাদুনা থম্বীগনি।

**ওক্কোনগী মওং কাঙলোন চুম্না শাবা ঃ** ওক্কোন্না ওককী লায়না তীলনা হন্থহনবদা মতেং য়াম্না পাংই। ওকোন শারমদাইদা ওকশিং মশা-মউ ফনা হিংবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা নীংথিনা মকোন শাবীবা তাই। মসিগীদমক মখাগী থৌরাংশিংসি শেম শাবীগনি।

(ক) ওককী ফার্ম খুদিংমক লমহাং তুমহাং, পাৎথি কোমথিদা পংচা চাদুনা হিংবা অতোপ্পা ওকশিংগী লৈফমদগী লাপ্পা শাবীগনি। (খ) ফামগী অকোয়বদা শক খঙদবা/অনৌবা মী অমদি শা/গাড়ীনচিংবা চঙবা ঙমদনবা চেকশিন্না শম্বল খাবীগনি। (গ) ওক্কোনগী কা শাবদা চহী অমদি চাউবা মান্নদবা ওকশিং তোঙান তোঙান নুংঙাইনা লৈবা য়ানবা মতম খুদিংদা লূ-নান্না থম্নবা শেংদোক শেংজিন তৌবদা খুদোং চান্নবা শিনবীগনি। (ঘ) ওক্কোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাংনা ওকশিংদা অশোক অপন থোকহন্দনবা শেম শাবীগনি। (ঙ) ওক অমগী লৈফম থোকপা পাক চাউবা নীংথিনা থম্বীগনি। মসিদা চিন্না থল্লগদি লায়না তীলনা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাংই।

ওক অমগী মথৌ তাবা লৈমায়গী পাক চাউবসি ওক্তুগী চহী চাউবগী চাং অমসুং য়োকপদা চঙগদবা সেবাগী মতুং ইন্না খেন্নরকই। অসুম্না ওক মখলগী মতুং ইন্না মথৌ তাবা লৈমায়গী পাক চাউবদু মখাদা থমজরি :-

| ওক মখল | লৈমায়গী পাক চাউবা (স্কৱার ফুট) |
|---|---|
| ক) মচা খাইনরবী মপী অমগী কা | ২০দগী ৪০ |
| খ) মপী অমগী মচা পোকফম কা | ৩৫দগী ৪০ |
| গ) মপী অমসুং মখোম থক্লিবা মচাশিং পূন্না লৈফম কা | ৫০দগী ৮০ |
| ঘ) মপীগা খাইনবদগী কিলো ৫৬ ফাওবা লুম্বা ওক অমগী কা | ৪দগী ১০ |
| ঙ) কিলো ৫৬তগী কিলো ৯০-১০০ ফাওবা লুম্বা ওক অমগী কা | ৮দগী ১৬ |
| চ) মপাশা অমগী কা | ৪০দগী ৫০ |

**করম্বা ওক লৈবীগনি ?** নৌনা লীংখৎপা ফার্ম অমগী অনৌবা ওক খুদিংমক লায়না তীলনা মহীক মতাই চেন্দবা মশক খঙলবা ফার্ম অমদগী লৈবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। অতোপ্পা ফার্ম অমদগী অনৌবা অফবা ধারা পুশিনবা তারবদি হান্না লৈরম্বা ওকশিংগী মরক্তা পুশিন্দ্রিঙৈদা তোঙান্না লাপ্পা থা অমরোম থল্লগা লায়না চেনদ্রে খঙলগা পুল্লপ থম্বীগনি।

**মচা পুথোক্কদবা লাবা অমসুং অমোম :** পোকপদগী লায়না তীলনাগী খুদম ফংদ্রবা অমদি চাউরে কনবা হাতম অমসুং লাবা খনবীগনি। শাওং শাবান, খোমজিন অমদি মপাম্থোংগী ওইবা অশোয়বা কয়া চেক তৌবীগনি। ওকশিং লেপহনবা মতমদা মখোঙ মখূৎ চাং মান্ননা লীংবা, খুদা ফজবা অমসুং খোঙশা মরিমক চাং মান্নবা খনবীগনি। চাং মান্ননা চাউবা খোমজিন ১২ দগী তাদনা পানবা পোকপদগী নুমিৎ ১৬০ নি শুবদা ফজনা চাউথোক্লবা চাবোকথোঙ ওইবা হাতম খক্তা খনবীগনি। মচা পুথোক্লবগীদমক হাতম য়োকপদা মখাগী কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎকদবনি।

(ক) পোকপদগী থা ৬ শুরকপদা অফবা হাতম খনবীগনি। খল্লবা হাতমশিংগী ফার্মদুদা হান্নদগী লৈরক্লবা চহী লীরবা ওকশিংগী মরক্তা থাজিনবীগনি। অসুম্না হাতমশিংদুগী অনীরক শুবা হীট লাকপা ফাওবা ময়াম মরক্তা থম্বীগনি। মচা লৌদ্রিঙৈদা চহী লীরবা ওকশিংগী মরক্তা লৈরগদি হাতম চাগোক্তা য়াম্না থোক্কনবা মচা শিনা পোকপা, এবোর্সন তৌরকপনচিংবা থোকহনবা পরভোভাইরসকী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা নেচরেল ইম্যুনিতি ফংবা ঙমই। অসুম্না ময়াম মরক্তা লৈরিঙৈদা অহুল্লকশুবা হীটতা মপাদা থাজিনবীগনি। গর্ভ পুরিঙৈদা চহী লিরবা ওকপীশিংগী মরক্তা লৈবনা নৌনা পোকপা ওক্লাওশিংগী খোমথী ফায়হনবা লায়না কোলিবেশিলোসিসকী মহীক ইসকেরিচিয়া কোলাই ঙাকথোকপা ঙম্বা নেচরেল ইম্যুনিতিদু মপী অদুদগী অহানবা নুমিৎ হুমনিগী মখোমগী কোলেষ্ট্রমদা য়াওরক্তুনা মচাশিংনা ফংবা ঙমই। (খ) অতোপ্পা ফার্মদগী পুরকপা অনৌবা হাতমশিংদি তোঙান্না থা ১ রোম থল্লুরবা মতুংদা অরিবা ওকপীশিংগী মরক্তা থম্বীগনি। (গ) করিগুম্বা মতমদা ফার্ম অমদগী লাবা, অমোম পূন্না লৌবা তারগদি মখোয় অদুগী ঈ মরীদু নক্লবরা-লাপ্নবরা হায়বা অমা খঙদোকপা মথৌ তাই। মরমদি ঈ মরী নক্লবা হায়বদি মমা মপা অমখক্কী মচাদু অমুক ধারা শন্দোক্লবা লোইখৎপা তারগদি য়াম্না তোয়না থেংনবা হায়বদি গর্ভনুংগী মচা শিহনবা, অশোনবা মচা পোকহনবা, মচা য়ামদনা পোকহনবা অমদি মপীনা চেল্লিঙৈদা শিবগী চাং হেনগৎহনবা কয়া অসি থোকহল্লি। মসি ঈ মরী নকশিন্নবগী চাং অদুগী মখা পোল্লি। হঙ্গৎনা য়েংবদা ঈ মরী নকশিন্নবগী দিগ্রিনা ১০% হেনগৎলিবা খুদিংগী থা ৫ শুরবা ওকশিংদা মশাগী অরুম্বা কিলো ১.৫৬ হন্থে। অসুম্না ফার্ম অমদা ঈ মরী নক্লবনা মচা লৌবা (ইনব্রীদিং) খক্তা চত্থরক্লবদি ফার্ম অদুগী ওকশিং চহী খুদিংগী অসুম অসুম পীকশিল্লকই। অসুম্না ইনব্রেদ ওইরবা ওকপীশিংগী খোমথোক চাজেন হৈবা অমদি মপী ওইবগী লিচৎ শাজৎ হন্থরকই। ইনব্রীদিংনা হাতম অমসুং মপাশা অনীমক্তা মচা লৌবা য়াবগী মতম থেঙথহল্লি। ইনব্রেদ ওইরবা মপাশাদি সার্ভিস পীবগী শক্তি য়াম্না হন্থে অমদি ইনব্রেদ ওইরবা হাতমগী হীট লাকপদা থোরকপা মচা ওইনবা মরূগী মশীং হন্থে। মরম অসিনা মচা য়াম্না পোক্তে। পোকপদা লোয়নরকপা হরনিয়া, শৌজা হুল্লক্তবা, মকোক, মখোঙ অমদি মমিৎ মনা শোয়রকপনচিংবসি ইনব্রেদ ওইরবা মপী মপাশিংগী মচাশিংদা খরা হেন্না থোক্কল্লি।

**মচা পোক্লিবা মপী অমসুং মচাশিং:** মচা পোক্লবা মতুংদা মপীশিংদা য়াম্না থোক্কনবা লায়ওংশিংগী মনুংদা লায়হৌ তৌবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাং থোঙদগী ফত্তবা মুচুম চৎপা, অমাঙবা য়ৈখৎপা অমসুং খোমজিন পোমখৎতুনা শাগৎপনচিংবা অসি উবা ফংই। মসি থোক্তনবা মচা পোক্কদবা নুমিৎ হুমনি মরিনি ৱাৎলিঙৈদগী হান্না পীজরম্বা মচীঞ্জাক অদুগী মহুত্তা চগুম-চনায়, য়ুবং অমদি থাওরেক্লচিংবা য়াওদবা চেঙকুপনচিংবা থুম খরা হাপ্পগা পীজগনি। মসি মচা পোক্লবা মতুং নুমিৎ নীনি হুমনি ফাওবা পীজবীগনি। মচা পোকফম কা অদু য়াম্না লু-নানবা অকংবা জগা ওইগদবনি। মচা পোকফম কাদা থাবা চরু চনায়নচিংবা বেদ্দিং অদু অকংবা অফবা ওইগনি। বেদ্দিং ওইননবা ৱায় অমদি হোরায় মকুপতি কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি। মচা পোক্লবা মতুংদা লায়হৌ তৌবগা লোয়ননা মখোম থোক্লক্তবগী লায়ওং উৎপা হৌরক্লগদি খুদক্তা মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডাক্তরগা তানবীরগা লায়েংবীগনি।

**ওককী ফার্ম অয়াম্বদা ওক্লাওশিংনা মপীগা খাইনদ্রিঙৈ মমাঙদা চাদা ১০ য়ৌনা শি। মসিদগী কনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌবা থৌরাংশিংদি :**

(ক) ওক্লাও খুদিংমক পোকপগা কোলোষ্ট্রম ফংহন্নবা মপীগী মখোম পীথকপীগনি। য়ামদ্রবদা পোকপগা পুং ১২ গী মনুংদা মপীগী মখোম ফংহনগনি। (খ) মচা পোকফম অমদি লৈফম কা অদু লূ নানবা অমদি মচাশিংগী মথৌ তাবা মৈশাগী চাং মতিক চানা ফংবা মফম ওইগদবনি। (গ) মপীনা মচাশিং ননখায়দনবা কাঙলোন চুম্না মচা পোকফম কা শেম্বীগনি। (ঘ) অশোনবা মচা খুদিংমক কুপ্পা য়েংশিনবীদুনা মপীগী খোম ফংহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা ক্রিপ ফীদ হীদাক লাংথক পীদুনা হিংহন্নবা হোৎনগনি।

**মপীগা খাইনরবা মচাশিং ঃ** নৌনা খাইদোক্লরবা ওক্লাওশিংদা মপীগী মখোম খঙলেপ লেপখিবা অমদি লৈফম চাফম খঙহোং হোংলকপনা মরম ওইদুনা অশোকপা লাকই। মসিগী অশোকপসি য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবা মখাগী থৌরাংশিংসি পায়খৎপীগনি।

ক) য়ামদ্রবদা মপীগা খাইদোক্লগদবা হাপ্তা অনী ৱাৎলিঙৈদগী অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী পুং অমমম হেনগৎপীবা হায়বদি অহানবা নুমিৎতা পুং অমা খায়দোকপীবা, মসিগী মতুং নুমিৎতা পুং ২/৩ অমসুং পুং ৩-৪-৫... হেনগৎপীদুনা মপীদগী লাকথোক্লবা হোৎনবীগনি। অসুম্না অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবগী মথক্তা ওক্লাওশিংদা প্রোবাইওটিক্সসু হাপ্পীরগা পীজবীগনি। মসিনা ওক্লাওশিংগী থিরিন্দা লৈরিবা অফবা হীংকুপকী মশীং হেনগৎতুনা মশা মউ ফনা অনা অয়েক য়াওদনা লৈবা ঙমহল্লি। অসুম্না নিংথিজনা শেন্নবীরবদি ঐখোয়না শেন্দোং লৈনা ওক য়োক্তুনা ইশানা ইশাবু থবক পীজদুনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইহনসি। ●

# লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লুরবা নহা ওইরিবা মীওশিংদা লৈরিবা অৱাৎপা/অশোনবা অমা

- ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ -

হৌজিক্কী মতমদা লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসি শিনফম অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরক্লিবা হীরম অমনি। হীরম অসিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ননবা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ৭৪ ইন্দিয়া পূম্বদা লৈরে। এগ্রিকলচর অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং হায়রগা লৌউ-শিংউবা মফমশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈগী মরমদা নৈনবা, শা-উচেক য়োকপা, ঙা য়োকপা, হোম সাইন্স অমদি এগ্রিকলচর ইঞ্জিনিয়রিংনচিংবা হীরম কয়া য়াওরি। হায়রিবা হীরমশিং অসিদা তম্বা লোইরবা মহৈরোয় কয়া চহী খুদিংগী পুথোক্লি। হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিনা হীরমশিং অসিদা তম্লুরবা মতুংদা তৌবা য়াবা থবকশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, ষ্টেটকী ওইবা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা ওফিসর ওইবা, নেশনেলাইজ বেঙ্কশিংদা ওফিসর ওইবা, নবার্দতা ওফিসর ওইবা, প্রাইভেট কম্পনিশিংদা মেনেজর নৎত্রগা টেক্নিসিয়ন নৎত্রগা কন্সলটেন্টনচিংবা ওইবসু য়াই। মসিদসু নত্তনা মশা মশানা ওন্ত্রপ্রেন্যুওর অমমম ওইদুনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা য়াই।

মতাং অসিদা থম্লিংবা ৱাফম অমদি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মহৈ-মশিং মপূং ফানা তম্লুরবা নহাশিং অয়াম্বনা লৈঙাক্কী থবকশিং মরু ওইনা সাইন্টিষ্ট, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অমদি ষ্টেটকী এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অসিনচিংবদা থবক তৌননবা হোৎনদুনতা লৈনৈ। তৌইগুম্বসুং লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসিদা মহৈ মশিং ফজনা/মপূং ফানা তম্লুরবা মীপূম খুদিংমকপু লৈঙাক্কী থবক পীবা হায়বসি ওইথোক্তবনি । মরম অদুনা হীরমশিং অসিদা খঙ-হৈরবা মতুংদা হীরমশিং অসিগা চান্নবা থৌওং কয়া পায়খৎতুনা শেল য়াম্না তানবা য়াবদা নত্তনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা ঙমগনি। তৌবতবু থৱায় হকচাং য়াওনা ওন্ত্রপ্রেন্যুওর অমা ওইরগে হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা চোংথোকপীরকপা মথৌ তাই।

মতাং অসিদা ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোন ওইনা থমজনীংবা মরু ওইবা ৱাফম অমদি এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসি তম্বা মতমদা রিস্ক লৌবগী মতাংদা তম্বীবা খরা ৱাৎলকপগুম উই। খুদম ওইনা হায়রবদা অতোপ্পা হীরমশিংদা তম্লুবা মীওইশিং, আই টি তম্লুবা মীওইশিং, ইঞ্জিনিয়ারিং তম্লুবা মীওইশিং, বিজিনেস মেনেজমেন্ট তম্লুবা মীওইশিং অমদি অতোপ্পা বেসিক সবজেক্টশিংদা তম্লুবা মীওইশিংনা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মায় ওনশিল্লক্তুনা থবক কয়া, য়াম্না মায় পাক্লা পায়খৎপা থেংনরি। মসিনা তাকপদি মখোয়শিং অসি রিস্ক লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু য়াওই। তৌইগুম্বসুং এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মহৈ নীংথিনা তম্লুরবা মীওইশিং অসি রিস্ক লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু লৈতবা মরম্না এগ্রিকলচরগা মরী লৈনদবা হীরমশিংদা মায় ওনশিন্দুনা মায় পাক্লা লৈখিবা মীওইগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক নেম্মী। মখোয়শিং অসিনা রিস্ক লৌবা ঙমদবগী মরমশিং অসি মখোয়না তম্লক্লিবা সিলেবস অদুদা রিস্ক করম্না লৌগনি হায়বগী পাড়া অসি য়াওদবা নৎত্রগা ওজাশিংনা তাকপীবদা মপূং ফানা তাকপীবা ঙমহৌদবা অসিনচিংবা কয়া ওইবা য়াই। মসিদসু নত্তে অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৈগনি অদুম ওইনমক 'নো রিস্ক নো গ্যেন' হায়বা ৱাফম অসিসু মীওই পূম্নমক্লা খন্থবিদুনা মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা অচৌবা মায় পাকপা কয়া পুথোকপা ঙমগনি।

মতাং অসিদা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লুবা মীওইশিংদা করিগুম্বা অশোনবা খরা লৈ হায়জনীংই। তৌইগুম্বসুং হীরম অসিদা থবক তৌরিবা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রিবা মীওইশিংনা তোঙানবা নৎত্রগা অৱাৎপা অসি করম্না অমদি কদোমদগী থোক্লকপনো হায়বদু মুন্না থিজিল্লবা মতুংদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্তুনা অচৌবা মায় পাকপা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈজরি। মরম অদুনা 'নো রিস্ক নো গ্যেন' হায়বা ৱাফম অসি মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা ঐখোয় পূম্নমক্কী অচৌবা অওনবা অমদি অচৌবা মায় পাকপা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# লৈবাক লৈহাও ফনা থম্নবগীদমক লৌফমদা অশঙবা মনা মশিং খোইজিনবা (গ্রীন মেন্যুরিং)

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

ঐখোয় মীওইবনা মশা-মউ ফনা লৈবা হায়বসি ঐখোয়গী লৌফমগী লৈবাক লৈহাও ফনা লৈবগা মরী য়াম্না লৈনৈ। লৌফমগী লৈবাক্লা মশা ফনা লৈরবা মতমদা ঐখোয়না ইশা ফনা লৈবদা মথৌ তাবা মচি ওইবা মচল শুনা য়াওরবা পোত্থোক পুথোক্কদৌরিবনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা নোংজু নুংশাগী অওনবনা পীরিবা চৈথেং, লৈবাক লৈহাও মাঙথরকপা অমদি লৌউবদা শীজিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা খূৎশেমগী হীদাক লাংথকশিংনা পীরিবা চৈথেংশিং অসিদগী খরা মখৈ কোকহন্দুনা লৌফমগী লৈবাক লৈহাও মশা ফনা থমদুনা মতম শাংনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং পাংবা লৌউ কাঙলোন অমনি গ্রীন মেন্যুরিং।

ঐখোয়গী লৌফমদা থারিবা পাম্বীশিংনা মপূং ফাদ্রিঙৈ, লৌফমগী অকোয়বদা ফংবা থুনা পখবা ঙম্বা মনা-মশিং, উশা মচানচিংবশিং খোমজিল্লগা লৌফম অদুগী লৈবাক্লা তোৎশিন্নহল্লগা (খোইজিল্লগা) পখহন্দুনা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও ফগৎনবা পায়খৎলিবা কাঙলোনবু লৌফমদা অশঙবা মনা-মশিং খোইজিনবা (গ্রীন মেন্যুরিং) কৌই। অসুম্না অশঙবা মনা-মশিংশিং খোইজিনবগী থবক অসি পায়খৎনবগীদমক খোইজিনগদৌরিবা মনা-মশিং অদু লৌফম অদুমক্তদা থাবা (গ্রীন মেন্যুরিং ইন-সিতু) নৎত্রগা লৌফমগী অকোয়বদা হৌরিবা পাম্বীশিংগী মনা-উশা মচাশিং খোমজিন্দুনা পুবিরক্লগা মখোয়দুনা খোইজিনবা (গ্রীন মেন্যুরিং) গী থৌওংশিং পায়খৎপীবা য়াই।

গ্রীন মেন্যুরিং তৌনবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা পাম্বীশিং হায়বা তারবদি চুচুরাংমৈ, উহৱাই মতোন, হৱাই অশাংবী/পোংহৱাই মখলশিং নৎত্রগা শাহৌ ফবা অতোপ্পা পাম্বী মখলশিং নৎত্রগা নীম, গুলমোহোর, চিগোংলৈ, অৱা কেগেনচিংবগী মনা-মশিংশিং মরাং কায়না ফংবগা লোয়ননা থুনা পখবা ঙম্বা ওইগদবনি।

**করিগীদমকগ্রীন মেন্যুরিং তৌগদৌরিবনো? :-** (ক) অহিংবা জীবশিংদগী থোরকপা পোৎলমশিং পখরগা ওইবা ওর্গানিক মেট্টর কৌবা লৈবাক্কী শরুক শাগৎপা অমদি লৌফমগী লৈবাকশিং ফ্রোং ফ্রোং লাউহন্দুনা তোঙান তোঙানবা লৌউ কাঙলোনশিং পায়খৎপদা খুদোং চাহল্লি। (খ) মতুং তারকপদা থাগদৌরিবা পাম্বীশিংদা নাইট্রোজেন অমদি অতোপ্পা পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং মরাং কায়না ফংহনবদা মতেং পাংই। (গ) লৌফম অদুদা হান্নদগী য়াওদুনা লৈবা পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং কুমগী নোংগী ঈশিংনা চুমথদুনা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙম্মী।(ঘ) মরা লূনা চত্তবা পাম্বীশিংনা ফংবা ঙল্লরোইদবা লূথনা লৈখ্রবা মফমশিংদা লৈবা পাম্বীগী মচীঞ্জাকশিং লৈমায়দা পুখৎলক্তুনা পাম্বীশিংনা ফংহনবদা মতেং পাংই। (ঙ) খূৎলৈ থুনা লৈমায়গী শরুকশিং খুমজিন্দুনা ঈশিং ঈচেল অমসুং নুংশিৎনা লৌফমগী মথক থংবা লৈহাও লৈবা শরুকশিং চেন্থখিগদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। (চ) খূৎলৈ থুনা লৈমায়গী শরুকশিং খুমজিনখিবসিনা নাপী হৌরকপা অমদি নাপীশিংনা মরূ য়াম্না কেলহৌগদবদগী ঙাকথোকই।

**মপূং ফানা কান্নবা ফংনবগীদমক পায়খৎপীগদবশিং :-** (১) পাম্বী অদু মহৈ য়ান্দ্রিঙৈ নৌরিঙৈ হুনখিবদগী চয়োল ৭-৮ ফাওবগী মনুংদা লৌফমদা খোইজিনবীদুনা লৈবাক্লা তোৎশিনবীবনা থুনা পখবা অমদি মতুং তারকপদা থারিবা পাম্বী মরক্তা অতোপ্পা পাম্বীশিং য়ৌরক্কদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। (২) লৈবাক্তা তোৎশিনবীগদৌরিবা পাম্বীশিং অসি য়াম্না লূনা তোৎশিনবীরোই মরমদি মনা-মশিংশিং অসিবু পখহনবদা মতেং পাংগদৌরিবা অহিংবা জীবশিং হিংকুপশিং অদু লৈমায়গী মথক থংবা শরুক্তনা মপূং ওইনা মপাঙ্গল কল্লি। (৩) মতুং তারকপদা থাগদৌরিবা পাম্বী মখল অদুগা কাঙলূপ মান্নবা পাম্বী মখলশিং গ্রন মেন্যুরিংগীদমক থাবীরোইদবনি। (৪) পাম্বীশিং অদু লৈবাক্তা খোইজিল্লবা মতুং য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২০নি থমদুনা মপূং ফানা পখহনবীগদবনি।

গ্রীন মেন্যুরিংগী থৌওং অসি মরু ওইনা মপূং ওইবা লৌরোক অনীগী মরক্তা হাঙদুনা লৈবা মতমদা হৱাইগুম্বা মখলগী পাম্বীশিং থাদুনা নুংশিত্তা য়াওরিবা নাইট্রোজেনশিং পাম্বীশিং অসিনা ফাজিন্দুনা লৌফমদা নাইট্রোজেনগী চাং হেনগৎনবা/লৌফম অমা মশা ফনা থম্বদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ওর্গানিক মেট্টর হায়বদু হেনগৎহল্লি। লৈহাও কা হেন্না লৈত্রবা লৌফমশিং গ্রীন মেন্যুরিং তোইনা তৌদুনা লৈহাও চেনবা লৌফম অমা ওইহল্লকপা য়াই। নোং মরাং কায়না চুবা নৎত্রগা ইথৈ লৌখোং লৈবা মফমশিংগীদমক লৌফম শেমগৎনবা গ্রীন মেন্যুরিং তৌবা কান্নে।

মণিপুরগুম্বা ফৌনা মপূং ওইনা থাবা লমদমদদি মার্চ-এপ্রিলগী মতমদা হুনবীরগা ফৌ থাগদবা চয়োল ৩-৪গী মমাঙদা লৌফমদু ঈশিং থাজিনবীরগা খোইজিনবীরবদি ফৌ থাবা মতমদা চঙগদবা খূৎশেমগী হারগী শরুকশিং হন্থনা শীজিন্নবা য়াগনি। গ্রীন মেন্যুরিং তৌনবগীদমক চুচুরাংমৈ/উহৱাই মতোন মরূ কেজি ৩৫-৪০ লৌবীরগা য়াওশঙ মমাঙ/মতুংদা লাকপা নোংগা চান্নবা মওংদা হুনজিনবীহৌরগা হুনখিবদগী নুমিৎ ৪৫-৫০ মুক শুবদা লৌফমদা খোইজিনবীদুনা লৌফমগী লৈহাও শেম্বা য়াই। হৱাই মখলগী পাম্বীশিংনা গ্রীন মেন্যুরিং তৌরবদি মতুং তারকপদা থাগদবা পাম্বী অদুগী মথৌ তাবা নাইট্রোজেন অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা হন্থনা পীবদা চাথোক হন্থরোই, হৱাই মখলগী মথক্তা পনখ্রিবা পাম্বী মখলশিং অসি খক নত্তনা অরৈবা হৱাই মখলগী মরূশিং রাইজোবিয়ম গ্রাম ২০ মরূ কেজি অমগী চাংদা তোৎপীরগা থাবীরবদি হেন্না কান্নবা ফংই। হৱাই মখল অসি নৎত্রবসু য়ূমদা লৈবা হঙ্গাম, নুমিৎলৈ অমদি অতোপ অতোপ্পা মরূশিং মরূ লৌনবগীদমক থাগদবা চাং অদুগী শরুক অনিগুম্বা লৌবীরগা লৌফমশিংদা হুনজিনবীরগা মহৈ লাক্ত্রিঙৈদা লৌফমদা খোইজিন্দুনা গ্রীন মেন্যুরিং পাঙথোকপা য়াই।

এজোল্লা হায়রগা খঙনবা কঙ মখল অসিসু মণিপুরগুম্বা মফমদদি ফৌ থাদ্রিঙৈদা লৌফমদা হৌহন্দুনা, ফৌ লৈরিবা লৌফমদা হৌহল্লগা হাবেংবা মতমদা লৈবাক্তা তোৎশিন্দুনা গ্রীন মেন্যুরিংগী থৌওং অসি পায়খৎপা য়াই। লৈবাক লৈহাও ফনা থম্বা হায়বসিনা লৌমীশিংগীদি মখোয়না পায়খৎকদৌরিবা থবক অদু মায় পাক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইবনা গ্রীন মেন্যুরিংগুম্বা থৌওংশিং ইশাগী লৌফমদা পায়খৎপা মতম য়ৌরে। ●

# নাপী লাকশিনবদা অনৌবা মায়ওন অমা

- লোংজম বোরিস -

লৌউ-শিংউবদা চাথোক ৱাংখৎহনবদা খ্বাইদগী হেন্না অপনবা পীরিবা অসি নাপীশিংনা ওই অমদি লৌউ-শিংউবদা চঙবা চাদিংগী চাং হেন্না ৱাংহল্লি। গ্রীন রেভল্যুশন মতমদা হার কা হেন্না ৱাংনা শীজিন্নবা, চাথোক ৱাংবা ভেরাইটি অমা মফম অমদা পাত্তক্লনা থাবা, ঈথৈ লৌখোং শম্নরকপা অসিনা নাপীশিং কা হেন্না শন্দোরক্লবা মরম অমা ওইরি। নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা নাপীশিং লাকশিনবা ঙল্লবসু অকোইবগী খলদা চাউনা অকায়বা পীবা মরম্না অতোপ্পা পাম্বে থিবা তঙাইফদে।

**নাপী লাকশিনবদা ঈশিং অমদি হারগী থৌদাং :** থাজরিবা পাম্বীশিংগা য়েংনবদা নাপীশিংনা হেন্না লৈবাক লৈহাওদা মচীঞ্জাক লৌখৎপা অমদি ঈশিং শীজিন্নবগী চাং হেল্লি। অকক্লবা অরুবা অমদি পাম্বীগী মনা ময়াদা হার হাপ্পীবা (band application) না নাপীশিংনা হার কা হেন্না লৌশিন্দুনা হৌগৎলকপা থিংবদা চাউনা মতেং পাংই। অমরোমদা ফোসফেটকী হার নীংথিনা হাপ্পীবা, পাম্বী থাবা মতমদা হাপ্পা য়ুরিয়াদা নীম কেক নৎত্রগা করাঞ্জা কেক তোৎশিনবনা য়ুরিয়া হাপ্পীবা মতমদা নুমিৎ ৭-১০নি চোন্থনা হাপ্পীবনা নাপীনা হার লৌশিনবগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী।

পোৎ থাবা মতমদা ঈশিং থাজিন্দুনা ঈশিং ফংহনবগী থৌওং অসিনা মফম অমদা তোঙান তোঙানবা নাপী মখল কয়া হৌনবা মরম অমা ওইরি। মরূ চাউবা পাম্বীশিংনা লৈমায়দা ঈশিংগী চাং ৱাংদ্রিঙৈদা হুন্দুনা থম্বীবনা নাপী কা হেন্না হৌবা ঙমহন্দে। খুদম ওইনা মরূ পৌবা গেহু লৈমায়দা ঈশিংগী ঈনিল কা হেন্না ৱাংদ্রিঙৈদা হুনবীহৌবনা নাপী কা হেন্না হৌবা ঙমহন্দে। ঈশিংনা হেন্না লৈবা অমদি হার কা হেন্না হাপ্পনা নাপী কা হেন্না হৌনবা মরম অমা অদুম ওইরি।

**নাপী হীদাক্লা শোকহনবা ঙমদবা ভেরাইটিশিং :** ফৌদা শীজিন্নবা নাপী হীদাক কাঙলূপ অমা নৎত্রগা অকক্লবা নাপী হীদাক অমনা শোকহনবা ঙমদবা ভেরাইটিশিংবু ঐখোয়না herbicide tolerant variety হায়রগা খঙনৈ। ইন্দিয়াদা লাকশিনবদা ৱাবা ভেরাইটিশিংবু মাঙহন্নবা herbicide না শোকহনবা ঙমদবা ভেরাইটিশিংবু পুথোকখি। ফৌগা হায়রপ মান্নবা ফৌ মক্তি নত্তবা কাঙলূপশিং লাকশিনবদা অচৌবা অপনবা অমা ওইরি। Herbicide না শোকহনবা ঙমদবা ভেরাইটিশিংদা imazethapyr@100g ha-1 গী চাংদা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ১৫ অমদি ২৮শুবা মতমদা imzaethpyr শীজিন্নবনা ফৌদা শোকহন্দনা নাপী লাকশিনবদা মায় পাকই।

বাসমতি ফৌ মখল অমা ওইরিবা Pusa Basmati 1979 অমদি Pusa Basmati 1985 হায়রিবা ফৌগী ভেরাইটি অনী অসি imazethapyr হায়রিবা নাপী হীদাক অসিনা শোকহনবা ঙমদবা ফৌগী ধারানি। মসিদসু নত্তনা Sava 134 অমদি Sava 127 হায়রিবা ফৌ মখল অনী অসি imazethapyr নাপী হীদাক অসিনা শোকহনবা ঙমদবা ফৌ মখলনি অমদি ঈশিং কা হেন্না ৱাংদবা মফমদসু ভেরাইর্চিট অসি চাথোক নীংথিনা পুথোকপা ঙম্মী।

**নুংশাগী মৈশানা নাপী হাৎপা :** লৈমায়দগী সেন্টিমিটর ৫গী মনুং চঙশিনবা ফাওবদা নুংশানা য়ৈবদা শাবগী চাং 50-55°C য়ৌবা ঙম্মী অমদি মরূ ওইনা মালেমগী নোং কন্না চুবা অশাবা মফমদদনা হেন্না চুনবা থৌওং অমা ওই। লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা পাম্বীদা লায়না থোকহনবা মহীকশিং, নাপীশিং মাঙহনবা মায় পাক্লা ঙম্মী, লৈবাক লৈহাওগী অফবা তোঙান তোঙানবা মগুণশিংসু ফহনবা ঙম্মী। খোঙজাই নাপী *(Ageratum spp)*, চেঙক্রুক *(Amaranthus spp)*, তুরেল মনা (barnyard spp), Congo grass, লৈবাক কুন্দো (common purselane), পুং মাপন শাৎপী (Portulaca spp.), হায়রিবাশিং অসি নুংশাগী মৈশানা হাৎপা য়াবা নাপী মখলশিংনি। অমরোমদা নীংথমথাদা হৌবা নাপীশিংনা হেন্না হায়রিবা মখলগী নাপী হাৎপগী মওং অসি হেন্না চান্নে অদুগা কালেনথাদা হৌবা নাপীশিং কৌথুম *(Cyperus spp.)* অসিদা হায়রিবা থৌওং অসি কান্নবা হেনগনি।

**নাপী নমথবা ঙম্বা পাম্বী ধারা :** মরূ চাউবা, মনা পাকপা, থুনা মসা-মরেং শন্দোকপা. মরা লূনা তাবা অমদি থুনা মুনবা ফৌ পাম্বীশিংবু ঐখোয়না কম্পিটিটিভ ওইবা ফৌ ধারা মখলনি হায়না লৌগনি। GNV -1089 হায়রিবা ফৌ পাম্বী মখল অসি অতোপ্পা ফৌ মখলশিংগা য়েংনবা মতমদা নাপীবু ঙম্না চৎপা অদুগুম্বা ভেরাইটি মখল অমা ওই।

**শম্পোৎ খোইবগী মওংনা নাপী হৌহন্দবদা লৌবা থৌদাং :** শম্পোৎ খোইবদা শীজিন্নবা moldboard plough হায়রিবা অসিনা খোইবা মতমদা মহৌশানা লৈবাক লৈরোনদা লুনা চঙশিন্দুনা নাপী মরূ পোকখায়বা, হৌহনবা ঙমহন্দে। নাপী মরূ পোকখায়দুনা হৌবগী চাং অসি মহৌশানা লৈমায়দগী লুনা থারিবা খুদিংগী হৌবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই। খোইদ্রিবা মফমদা নাপী হৌবগী চাং অসি নেম্মী মরমদি নাপী মরূ পোকখায়বা অমদি মরূনা অকনবা লৈবাক্কী শরুক্তা থুগাইদুনা চঙশিনবা ঙমহন্দে।

লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা পায়খৎলিবা শম্পোৎ খোইবগী মওং অসিদদি মনা পাকপা নাপী হৌবগী চাং ৱাংই অমদি জিরো টিলেজ শীজিন্নদুনা শম্পোৎ খোইবা মতমদনা মপূন্সি চহী অমদগী হেন্না হৌবা নাপী মখলশিংনা হেন্না চান্ননা হৌই। শম্পোৎ খোইদোক্তুনা লৈবাক লৈহাও শেম্বনা লৈমায়গী মথক থংবা শরুক্তা খুমজিন্দুনা নুংশা মঙাল লৈমায়গী মখা থংবা শরুক য়ৌহনবা ঙমহন্দে অমদি ঈশিংগী ঈনিল ফাজিনবগী চাং ৱাংহল্লি। অসুম্না নুংশিৎ নুংশা ফংহন্দনা থম্বা অসিনা নাপী মরূশিং মহিক্লা থুনা পথ-পুমথহনবদা চাউনা মতেং ওই।

মৈ শীজিন্নদুনা নাপী হাৎপা : ত্রেক্টরদা হাপ্পা থাল হাপ্পা খূৎলায় নৎত্রগা মৈ পুথোকপা ঙম্বা খূৎলায় অমা শীজিন্নদুনা নাপীদা অতেনবা মতমদা 800-1000°C য়ৌনা মৈশা পীশিনবনা পাম্বীগী শেলশিং অমাঙ অতা থোকহল্লি অমদি নাপীশিং অদু হাৎতোকপা ঙম্মী। চেকশিনবীগদবদি হায়রিবা থৌওং অসি চুজাক, লশিং অমদি চুনচিংবা মৈশাবু খাঙবা ঙম্বা পাম্বীশিংদনা হেন্না মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙম্মী। মরু ওইনা চুরিদা হৌবা নাপীশিং লাকশিনবদা হেন্না মায় পাক্লা পায়খৎপা ঙম্মী।

Yellow sedge হায়রিবা নাপী অসি মাঙহনবদা *Puccinia canaliculate* হায়রিবা কোকফাই শুজা মখল অসি শীজিন্নবা য়াই। হায়রিবা কোকফাই শুজা মখল অসি yellow sedge হায়রিবা নাপী অসিনা হৌগৎলকপা মতমদা কাপশিনবা মতমদা নাপী অসি লৈ শাৎপা, মরা তাবা ঙমহন্দে।

পাম্বী মখল খরানা থোকহনবা কেমিকেলনা নাপী হৌবা হন্থহনবা য়াওই। অমরোমদা পাম্বী অমা থাদোকপা কেমিকেলশিং অসিনা মফম অমদা হৌবা নাপী লোইনমক্তা হৌবা হন্থহনবা ঙমদবা য়াওই। চুজাক, গেহু, barley, rye হায়রিবা পাম্বীশিং অসিগী মরাদগী থোকপা কেমিকেলশিং অসিনা নাপী মখল খরা হৌবা হন্থহনবা ঙম্মী। Parthenium হায়রিবা নাপী অসিদা সনারৈ *(Tagetes minuta)*, মুকাক লৈ *(Mirabilis jalapa)*, চরাং *(Tephrosia purpurea)*, থাওনম *(Cassia obtusifolia)* হায়রিবশিং অসিনা Parthenium হায়রিবা নাপী অসি হৌবা ঙম্ব্রী চাং হন্থহল্লি। Barley হায়রিবা পাম্বী অসিনা থাদোকপা gramine হায়রিবা কেমিকেল অসিনা কম্বোং *(Abutilon theophrasti)*, চেঙক্রুক *(Amaranthus hybridua)* হায়রিবা নাপীশিং অসি হৌবদা অপনবা পী।

নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা নাপী হাৎপা হায়বা অসি তুং কোইনা পায়খৎপদা নাপী হীদাক্কী মপাঙ্গল হন্থহনবা, অকোয়বগী খলদা চাউনা অকায়বা পীবা মরম্না য়ারিবমখৈ নাপী হীদাক শীজিন্নদবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা তোঙান তোঙানবা থৌওংশিং অসি পায়খৎতুনা থারিবা পাম্বী অদুখক মশা ফনা হৌহনবা তঙাইফদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।